## শান্নবুংগী পাউ

# মাবাগী এপ্লিকেসন লোঞ্চ তৌখ্রে




ইম্ফাল, সেপ্তেম্বর ১৯ ঃ মণিপুর এমেটচর বোক্সিং এসোসিএসন (মাবা)না থোকপা চেরোল অমগী মতুং ইন্না ঙসি মাবা এপস লোঞ্চ তৌখ্রে হায়রি।

চেরোল অসিনা মখা তারদুনা ঙসি লাংজিং অচৌবা মনিং লৈকাইদা মণিপুর এমেটচর বোক্সিং এসোসিএসনগী চিফ এদভাইজর এম মোধুসুদোন অমদি এসোসিএসন অসিগী তোঙান তোঙানবা মীওই কয়াগা লোয়নননা মাবা এপস অসি লোঞ্চ তৌখিবনি হায়রি। চেরোল অসিনা মখা তারদুনা ঙসি পাংথোকখিবা লোঞ্চ তৌবগী থৌরম অদুদা কোবিদ ১৯ গী ওইবা গভর্নমেন্টনা পীবা এস ও পি ঙাক্লা ষ্টেট অসিগী বোক্সরশিং অমদি কোচশিং য়াওনা পাংথোকখি হায়রি। চেরোল অসিনা মখা তারদুনা মণিপুরগী বোক্সর অমদি কোচশিংনা ৱেব লিঙ্ক https://mabamaipur.site/news গী খুথ্থাংদা মরি লৈন্নবা ইনফোর্মেসনশিং খংলবা য়াগনি হায়রি। থৌরম অসিদা চিফ এদভাইজরনা এপ অসিবু সেট অপ তৌখিবা প্রেমানন্দা লাইশ্রম অমদি ও সুরেন্দ্রজিৎপু থাগৎপা ফোংদোকখি।

# ৱেষ্টকী শান্নরোই ৩, ইষ্টকী শান্নরোই ২ ত্রান্সফরগীদমক এপ্লাই তৌরকখি

ইম্ফাল, সেপ্তেম্বর ১৯ ঃ কোবিদ ১৯ গী লাইচৎনা মরম ওইরগা মণিপুর শিনবা থুংনা লোকদাউন অমদি কার্ভিয়ু থমজিনখিবনা মরম ওইরগা মতম খরা য়ৈথোক্তুনা লাকখিবা ইন্টর ক্লব প্লেয়ার ত্রান্সফর ঙসিদগী দিস্ত্রিক্ট এসোসিএসনশিংদা চথ্থবা হৌখিবগা লোয়নননা ইম্ফাল ৱেষ্টকী শান্নরোই ৩ অমদি ইম্ফাল ইষ্টকী শান্নরোই ২ ত্রান্সফরগীদমক এপ্লাই তৌরকখ্রে।

ইম্ফাল ৱেষ্ট দিস্ত্রিক্ট ফুটবোল এসোসিএসন্না থোকপা চেরোল অমগী মতুং ইন্না মতম শাংনা লেপ্লুরবা ইম্ফাল ৱেষ্ট দিস্ত্রিক্ট ফুটবোল এসোসিএসন অসিগী ইন্টর ক্লব প্লেয়ার ত্রান্সফর ঙসিদগী অমুক হন্না মখা চথ্থবা হৌখিবগা লোয়নননা শান্নরোই ৩ না ত্রান্সফরগীদমক এপ্লাই তৌরকখ্রে হায়রি। হায়রিবা শান্নরোইশিং অদুদি ত্রাউগী শান্নরোই হুইদ্রোম দিনেশনা ৱাই দি ও দা, এম এস ঐচ কী শান্নরোই থৌনাওজম অভিনাসনা ৱাই দি ও দা অমদি কৃপসাগী শান্নরোই থাংজম কৈন্যাকুমারি চনুনা এম পি এস সি দা ত্রান্সফর তৌনবগীদমক এপ্লাই তৌরকখি হায়রি।

নাকল অমরোমদা ইম্ফাল ইষ্ট দিস্ত্রিক্ট ফুটবোল এসোসিএসনগী ওইনা ঙসি ইন্টর ক্লব প্লেয়ার ত্রান্সফর অসিদা শান্নরোই ২ না এপ্লাই তৌরকখি হায়রি। হায়রিবা শান্নরোইশিং অদুদি কে আই ৱাই সি গী এম দি অরুৱাজ খান্না নেরোকা এফ সিদা অমদি এ আই এম গী শান্নরোই অকবর খান্না নেরোকা এফ সিদা ত্রান্সফরগীদমক এপ্লাই তৌরকখিবনি।

# হোক্কি কোচ লৌনবগী অইবা চাংয়েং পাংথোকপা য়ারোই

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ১৯ ঃ মণিপুর লৈঙাক্কী দাইরেক্তরেট ওফ য়ুথ এফিয়ার্স এন্দ স্পোর্ট লোয়শঙদা হোক্কিগী কোচ অমা লৌনবগী সেপ্তেম্বর ২০ দা নেস্নেল স্পোর্টস একাদেমি খুমন লম্পাক্তা অইবা চাংয়েং পাংথোক্লবা তৌরিবসি লেপ্পবা য়াসকি কমিস্নার অমসুং দাইরেক্তর অনিদা এদভোকেট মককময়ুম রুকয়াগী মায়কৈদগী লিগেল নোটিষ্ট পীখ্রে।

লিগেল নোটিশ অসিদা হান্না হোক্কিগী কোচ ওইরম্বা কয়া থবক্তগী পোৎখ্রবা মতুং মখোয়গী মহুৎ মেনশিন্নবা অনৌবা কোচ লৌদবদগী মরম ওইরগা হোক্কি কোচ ৭ কি অহাংবা ফম লৈ। অদুবু ওথোরিটিগী মায়কৈদগী কোচ অমখক্তমক হাপ্পবা থৌরাং তৌরি। মখা তানা ওথোরিটিনা হাপ্পবা থৌরাং তৌরিবা মীওই অসি য়াসকি কমিস্নার অমদি দাইরেক্তরগা য়াম্না নক্লবা মীওই সি ঐচ নেপোলিয়েন কৌবা অমবুনি। দিপার্টমেন্টগী ওইনা হোক্কিগী কোচ ৭ কি ফম হাংদুনা লৈবগী মনুংদা ফম অসিগী এপ্লাই তৌবা য়াবা মীওই অসি মণিপুরদা ৫ দগী হেন্না লৈতে। কোচ ৭ কি অহাংবা ফম লৈরিবা অসি কুমজা ১৯৮০ দা কোচ হাপখ্রবা মতুং মখা তানা অনৌবা কোচ লৌদবদগী পোষ্ট ৭ হাংদুনা লৈবনি। মরক অসিদা সি ঐচ নেপোলিয়েন কৌবা কেন্দিদেট অমা খক্তবু কোচ খন্নবা থৌরাং তৌবা হায়বসি ইন্দিয়ান কন্সটিটুৎসনগী আরটিকল ১৪ অমসুং ১৬ কি ৱাংমদনি। মখা তানা পোষ্ট অসিগী এদভরতিজমেন্ট মীয়াম্না পানবা ৱাৎপা পাউচে অনিদা হাপ্লিবা অসিসু লাল্লি। হোক্কি কোচ লৌবগী এদভরতিজমেন্ট অসি মণিপুর পাব্লিক সার্ভিস কম্মিসনগী খুথ্থাংদা তৌগদবনি। মরমদি হোক্কি কোচকি ফম অসি জি সি এস গ্রুপ বি গী মনুং চনবা মরম্না মণিপুর লৈঙাক্কী রিক্রুইটমেন্ট রুলগী মতুং ইন্না এম পি এস সি গী খুথ্থাংদা খক্তম তৌগদবনি। মসিনা মীয়ামগী ইন্টরেষ্ট ঙাকপা ঙম্বগী মথক্তা অচা মীরাই নাইনা থবক তৌবদগীসু থিংবা ঙমগনি। মখা তানা সেপ্তেম্বর ২০ দা পাংথোক্কদৌরিবা অইবা চাংয়েং অসি হোক্কিগী কোচ লৌবগী লৈঙাক্লা শেমজবা রিক্রুইটমেন্ট রুল অদুগী ৱাংমদা ওইবনা ইলিগেল ওই। মরম অসিনা হোক্কি মণিপুরগী সেক্রেটরিগী মায়কৈদগী খংহলকপগী মতুং ইন্না অরানবা কয়ানা থল্লবা হোক্কি কোচ লৌনবগী চাংয়েং অসি পাংথোক্তনবা খংহল্লি।

# ইন্দিয়ানা য়ুম্বু ওইগদবা অন্দরগ ১৭ ৱুমেন্স ৱার্ল্ড কপ ২০২১ গী লাইবক তম্বা ঙমদ্রি



পনাজি, সেপ্তেম্বর ১৯ ঃ কোবিদ ১৯ পেন্দেমিক মরক্তা কনফিদরেসনশিংনা ক্কালিফয়ার লোয়শিনবা ঙমদবনা ইন্দিয়ানা য়ুম্বু ওইরগা পাংথোক্কদবা ফিফা অন্দর ১৭ ৱুমেন্স ৱার্ল্ড কপ ২০২১ গী লাইবক তম্বা ঙমদবা ফিবমদা লৈরে। ৱার্ল্ড কপ অসিগী লোকেল ওর্গনাইজরগী মায়কৈদগী ৱার্ল্ড কপ অসি অনিরকশুবা ওইনা য়ৈথোক্লবা য়াবা ফিভমদা লৈরে হায়রি।

নীংশিংবা য়াবদি ফিফা অন্দর ১৭ ৱুমেন্স ৱার্ল্ড কপ ইন্দিয়া ২০২০ অসি হান্নদি চহী অসিগী নবেম্বর থাদা পাংথোক্লবা থৌরাং তৌরম্বনি। অদুবু পেন্দেমিক্কী ফিভম ফগৎত্তবদগী উপায় লৈত্তদুনা ওর্গনাইজরগী মায়কৈদগী ৱার্ল্ড কপ অসি মথং চহী ২০২১ গী ফেব্রুৱারি অমসুং মার্চ থাদা পাংথোক্লবা য়ৈথোকখিবনি। অদুবু টুর্নামেন্ট অসি পাংথোক্কদবগী মতম থা ৫ ফাদ্রবা মতম অসিদা অমুক্কসু ৱার্ল্ড কপ অসি পাংথোকপা ঙমগদৌরিবরা হায়বা ৱাহং লাক্লে। মরমদি ৱার্ল্ড কপ অসিদা শরুক য়াগদবা প্লেয়ার, ওফিসিয়েল য়াওনা মরি লৈন্নবা খুদিংমক্কী হকশেলদা অকাইবা থোকহন্দবা হায়বসি খ্বাইদগী মরু ওইবা ৱাফম অমনি। মরম অসিনা ফিফা অমসুং লোকেল ওর্গনাইজর অনিমক্না মালেমগী ওইনা কোবিদ ১৯ লায়চৎকি ফিভম কুপ্না য়েংশিনমীন্নরি। লোয়নননা করিগুম্বা অন্দর ১৭ ৱার্ল্ড কপ অসি শিনবা মতমদা ওইরকপা য়াবা কয়া অদুবুসু পুন্না নৈন্নমীন্নরি। ওল ইন্দিয়া ফুটবোল ফেদরেসনগী সেনিয়ার মেম্বর অমগী মতুং ইন্না নুপীগী অন্দর ১৭ ৱার্ল্ড কপ অসি মতম অমুক্কসু য়ৈথোক্লবা য়াই। অদুবু অরোইবা ৱারেপতি মথং থাদা লাওথোক্লবা য়াই। ৱার্ল্ড কপ অমুক্ক মতম য়ৈথোকপগী ফিভম লাক্লিবা অসিগী মরু ওইবা মরমদি ৱার্ল্ড কপ অসিদা শরুক য়াগদবা লৈবাকশিং খনগৎনবা কনফিদরেসনশিংগী ক্কালিফয়ারশিং হৌজিক ফাওবা কোবিদ ১৯ লায়চৎনা মরম ওইরগা লোয়শিনবা ঙমদবা অসিনি হায়রি। মরক অসিদা মালেমগী ওইনা কোবিদ ১৯ লায়চৎ অসিগী ফিভম ফগৎলকপসু লৈত্রি। য়ুরোপ অমদি ওসিনিয়াগী ওইবা ৱার্ল্ড কপ অসি ক্কালিফয়ার পুরা কেন্সেল তৌথোকখ্রে। মদুগী মহুৎ টিম ওইনা নোমিনেট তৌনবা লেপ্লখ্রে। মসিনা মরম ওইরগা রেঙ্কিংদা য়ুম্ফম ওইরগা য়ুফানা স্পেন, ইংলেন্দ অমদি জরমনিবু খনগৎখ্রে। ওসিনিয়াগী ওইনা ন্যু জিলেন্দবু খনখ্রে। সি এ এফ (অফ্রিকা) কোনকেকেব (নোর্থ এন্দ সেন্ত্রেল অমেরিকা) কোনমিবোল (সাউথ অমেরিকা) গী ওইনদি ক্কালিফয়ার পাংথোকপা ঙমদনা লৈরি। ক্কালিফায়িং কম্পিটিসনশিং মপুং ফানা লোয়শিনহন্নবা ফিফানা মরি লৈন্নবা কনফিদরেসনশিংগা পাউ ফাওনরি।

মমাংদা ইন্দিয়ানা য়ুম্বু ওইখিবা নুপাগী অন্দর ১৭ ৱার্ল্ড কপ অদুগী ফাইনেল ইংলেন্দ অমসুং স্পেন অনিনা কোলকটাগী সোল্ট লেক ষ্টেদিয়মদা শান্নবদা ভাবক ৬৬,৬৮৪ তিনখি। অতোপ্পা মেটচশিংদা তিনখিবা ভাবক মশিংনা লাক্ষ ১৩.৪ রোম ওইখি। ভাবক মশিং য়াম্না তিনখিবা অদুগী পাউখুম ওইনা ফিফাগী মায়কৈদগী নুপীগী অন্দর ১৭ ৱুমেন ৱার্ল্ড কপ অসিসু ইন্দিয়ানা য়ুম্বু ওইবগী অয়াবা পীরকপনি। অদুবু হন্দক্কী পেন্দেমিক মরক অসিদদি ৱার্ল্ড কপ অসিগী মেটচশিং শান্নবদা ষ্টেদিয়ম মনুংদা ভাবক চংহনবগী অয়াবা পীরদবা য়াই। মদুগী মথক মীরৈবাক্কী প্লেয়ারশিং থুংলবগা বাইও সেক্যুর ববলদা লৈহন্নবা থৌরাং লৌখৎলবা য়াই হায়রি।

# আই লিগ ক্কালিফয়ারগী ওফিসেল ৩ কৌরক্লে, ইন্টর ষ্টেট রেজিস্ত্রেসনগী মতমসু লাওথোকখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ১৯ ঃ ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিএসন্না থোকপা চেরোল অমগী মতুং ইন্না ওল ইন্দিয়া ফুটবোল ফেদরেসন্না মণিপুরদগী মেটচ ওফিসেল ৩ হিরো আই লিগ ক্কালিফয়ার ২০২০ গীদমক কৌরক্লে হায়রি। চেরোল অসিনা মখা তারদুনা কোলকটাগী কৈল্যানি ফুটবোল ষ্টেদিয়ম অমদি ৱাই বি কে দা চহী অসিগী ওক্তোবর ৮ দগী ১৯ ফাওবা পাংথোক্কদবা মেটচশিংগী দমক্তা এম জোয়চন্দ্রবু রেফ্রি এসেসর, এল অজিৎকুমারনা রেফ্রি অমদি রিঙ্কাহাও বাসুমনা এসিসতেন্ট রেফ্রি ওইনা কৌরক্লে হায়রি। ওফিসেলশিং অসিনা সেপ্তেম্বর ৩০ দা রিপোর্ট তৌবগা লোয়নননা নুমিৎ হুম্নিগী মাংওইননা কোবিদ ১৯ গী আরটি-পি সি আর টি এস কীদমক য়ৌরক্কদবনি হায়রি।

এসোসিএসন অসিগী অতোপ্পা চেরোল অমদা ওল ইন্দিয়া ফুটবোল ফেদরেসন্না মালেমগী ওইনা কোবিদ ১৯ গী পেন্দেমিক্কী খুদোংচাদবা লৈবনা রেজিস্ত্রেসনগী মতম (ত্রান্সফর ৱিন্দো) ২০২০-২১ গী মতম লাওথোকখ্রে হায়রি। চেরোল অসিনা মখা তারদুনা অহানবা রেজিস্ত্রেসন পেরদ (মেন্স এন্দ ৱুমেন্স)কী ওইনা চহী অসিগী আগষ্ট ১ দগী হৌরগা ওক্তোবর ২০ ফাওবা ওইগনি। অনিশুবা রেজিস্ত্রেসন পেরদ (মেন্স এন্দ ৱুমেন্স)কী ওইনা মথং চহী কুম ২০২১ গী জনুৱারি ১ দগী জনুৱারি ৩১ ফাওবা ওইগনি। লোয়নননা এমেটচর নত্রগা ফ্রি প্লেয়ারশিংগী ওইনা রেজিস্ত্রেসন পেরদ অসি চহী অসিগী আগষ্ট ১ দগী হৌরগা মথং চহী কুম ২০২১ গী মে ৩১ ফাওবা ওইগনি হায়রি। হায়রিবা মতমশিং অসিগী মনুংদা ইন্টর ষ্টেট ত্রান্সফর নত্রগা লোয়নগীদমক্তা সি আর এস কী খুথ্থাংদা এপ্লাই তৌগদবনি হায়রি।

# নোংলৈ নুংশিৎকুম্লবা বয়ারন ম্যুনিকনা সিজন ওপন্নিংদা সালকি ৮–০ দা থোইখ্রে



ম্যুনিক, সেপ্তেম্বর ১৯ ঃ জরমন বুন্দেসলিগা অনৌবা সিজন হৌবগী ওপন্নিংদা নোংলৈ নুংশিৎকুম্লবা ৱিন্নর বয়ারন ম্যুনিকনা সালকিবু পাঞ্জল ৮–৩ দা মায়থিবা পীখ্রে। ওপন্নিং মেটচ অসিদা সেরগে নাব্রেগী হেদত্রিক য়াওনা বয়ার ম্যুনিকনা গোল অমগী মথং অমা চনশিন্দুনা খুৎ হনবা ঙমদ্রবা সালকিবু পাঞ্জল ৮–০ দা মায়থিবা পীখিবনি।

বুন্দেসলিগাগী ইতিহাসতা খ্বাইদগী গোল মশিং য়াম্না চন্দুনা মায় পাকপগী অনৌবা পন্দুপ অমা বয়ারন ম্যুনিকনা সালকিবু মায়থিবা পীরগা থমখ্রে। টিম অসিগী পার্ফোমেন্স অসিনা চহী অসিগী চেম্পিয়ন লিগ ত্রোফি লৌখ্রবা মতুং টিম অসিগী প্লেয়ারশিংগী ইচং থৌবদু মতু নামা হনদ্রি হায়বদু তাক্লে।

বুন্দেসলিগাগী ওপন্নিং অসিদা নাব্রেনা অহানবা ওইনা বয়ারন ম্যুনিক্কী গোল অদু চনখি। নাকল নামখক্কি গেম ওইখিবা মেটচ অসি থোইরবা মতুং বয়ারন ম্যুনিক্কী ওইনা মায়থিবা অমুক্তা য়াওদবা মেটচ ৩১ গী খোংচৎ মপুং ফাদুনা মথং গেমগী মীৎয়েং থম্বা হৌখ্রে।

বয়ারনগী মখুত্তা চাওনা মায়থিবা নংখ্রবা সালকিগী ওইনা জনুৱারি থাদগী থংনথংননা লিগ মেটচ ১৭ শান্নবদা মায় অমুক্তঙা পাকপা ঙমদনা লাক্লি। মসিনা মরম ওইরগা খোংজেল য়াংলবা বয়ারনগা লম্বা থেংনবদা করিমত্তা তৌবা ঙমখিদে। অদুবু চাওনা মায়থিবা নংখিবা অসিনা হান্নদগী অকনবা প্রেসর মায়োক্লরবা সালকিগী কোচ দেবিদ ৱেগনরগী ওইনদি ক্লব অসিদা মহাক মখা তানা লৈখিগদরা হায়বদু অচৌবা ৱাহং অমা ওইরক্লে।

# ইটালিয়ান ওপনগী ক্কাটর ফাইনেলদা নদাল অমসুং জোকোভিক চংখ্রে

রোম, সেপ্তেম্বর ১৯ ঃ ইটালিয়ান ওপনগী নুপাগী ক্কাটর ফাইনেলদা রফেল নদাল অমদি নোভাক জোকোভিক অনিমক চংখ্রে। মরক অসিদা ফোরো ইটালিকোদা চথ্থরিবা ইটালিয়ান ওপন অসিদা সেমিফাইনেল রাউন্দগী ভাবক ১০০০ গী চাংদা ষ্টেদিয়মদা চংদুনা টেন্নিস মেটচ য়েংবগী অয়াবা পীরগনি হায়না ইটালি লৈঙাক্না লাওথোকখ্রে। লৈঙাক্কী ফিরেপ অসিবু রফেল নদালনা তরাম্না ওক্লদুনা ভাবক ১০০০ গী চাংদা শান্নবা য়েংবগী অয়াবা পীবদা অকায়বা থোক্লিঙাই ওইদে। ৱাখল্লোন অসিমক থাগৎলি হায়রি। রফেল নদালগী ওইনা টুর্নামেন্ট অসিগী অহুমশুবা রাউন্দা সারব দুসান লাজোভিকপু ৬–১, ৬–৩ দা মায়থিবা পীরম্লগা ক্কাটর ফাইনেল চংখিবনি। নোভাক জোকোভিকপু ৭–৬ (৯। ৭) ৬–৩ দা মায়থিবা পীরম্লগা ক্কাটর ফাইনেল চংখিবনি। নদাল অমসুং জোকোভিক অনিমক্না মথংগী রাউন্দ অনিমক মায় পাক্লগদি ফাইনেলদা লম্বা থেংনরবা য়াই।



অমরোমদা ভাবক অমত্তা য়াওদবদগীদি ভাবক ১০০০ খত্তঙা ওইরবসু ষ্টেদিয়ম মনুংদা চংহনগনি হায়রিবসিনা য়াম্না ফবা হেল্লি মরমদি মতম কুইনা শান্নবদা ফেন উরক্ত্রবা মতুং ফেন খরা উগনি খনবদা নুঙাইবা ফাওই হায়রি। নদাল অমসুং জোকোভিক অনিমক নুমিৎ ১০ নি লৈরগা হৌরগদবা ফ্রেন্স ওপনগী শেম শাবা ৱাম অপ মেটচ ওইনা ইটালিয়ান ওপন অসিদা শরুক য়াবনি। মসিগী মমাং ন্যু য়োকতা সিন সিনাতি মাষ্টরগী হার্দ কোদ টাইটল জোকোভিকনা লৌখ্রে। অদুবু লায়বক থিবদগী য়ু এস ওপন্দা দিসক্কালিফাই মায়োক্লখি। জোকোভিককি ওইনা ইটালিয়ান ওপন অসিগী ক্কাটর ফাইনেলদা জরমন ক্কালিফয়ার দোমিনিক কোইফরগা লম্বা থেংনরগনি। দোমিনিক্কী ওইনা ইটালিয়ান তিনেজর লোরেনজা মুসেতিবু ৬–৪, ৬–০ দা মায়থিবা পীরম্লগা ক্কাটর ফাইনেল চংলকখিবনি। ৱার্ল্ড নম্বর ২ রফেল নদালগী ওইনা ক্কাটর ফাইনেলদা আরজেন্টিনিয়ান দাইগো সুৱাজ মেনগা লম্বা থেংনগনি। রফেল নদালগী ওইনা রোমগী টাইটল অহানবা ওইনা কুমজা ২০০৫ দা লৌখি। হন্দক্কী চহী অসিদা অহুমলকশুবা টাইটলগীদমক নদালনা লম্বা থেংনগদৌরি। মমাংদা ফ্রেন্স ওপনগী টাইটল ১২ লক লৌখ্রবা নদাল চহী অসিগী ফেব্রুৱারি থাদগী শান্নবা লেপ্তুনা লাক্লবা মতুং ইটালিয়ান ওপন অসিদা অহানবা ওইনা কম্পিটিসন শরুক য়াবা হৌরকখিবনি।

নুপী কাংলুপকী ওইনা তোপ সিদ সিমোনা হালেপ অমদি দিফেন্দিং চেম্পিয়ন কেরোলিনা প্লিসকোভা অনিসু রোমগী টাইটল অনিরক লৌখ্রবা ইলিনা সেভিতোলিনাগা লোয়নননা ক্কাটর ফাইনেল চংখ্রে। সিমোনা হালেপনা ক্কাটর ফাইনেলদা য়ুলিয়া পুতিনসেভা গা লম্বা থেংনরগনি। ৯ শুবা সিদ গারবিনি মুগুরুজাসু ৬ লক শুবা ওইনা রোমগী ক্কাটর ফাইনেল চংখ্রে। মহাক্না ক্কাটর ফাইনেলদা ভিক্তোরিয়া অজরেনকাগা লম্বা থেংনরগনি।

## CARD তাহৌরে

ঐ হাক্কী 14/7 ward no. 20 গী Shop No. 156 Priority Card No. 141000418540 অসি হৌখিবা তাং ২–৯–২০২০ গী অয়ুক পুং ৯ রোম তাবদা মফম খংদনা তাহৌরে। কনাগুম্বনা খুনবীরবদি মখাগী এদ্রেশ অসিদা শিন্নবীয়ু।

খংহঞ্জরিবা ঃ–

Shagolsem Ratna Devi
Wangkhei Yonglan Leirak

I/446/20

## MANIPUR UNIVERSITY
## CANCHIPUR : IMPHAL

**ADMISSION NOTICE/20**

**Dated, the 19th September, 2020**

No. MU/3-158/14/Aca(Pt) : In continuation of our Admission Notification No. 198 dated 28th August, 2020, the last date for submission of online application forms for admission into MA/MSc/MCom/MLIS/MCA/MPES/LLM (First Semester) for the academic session 2020-21 has been extended upto 30th September, 2020.

Sd/-
S. Buddhabati Devi
Assistant Registrar (Aca)

I/B/20

Editor: **Laishram Kumar** Printed & Published by **Ng. Devendro Meetei** on behalf of himself at **Lamyanba Printers**, Konung Lampak, Imphal - 795001 (RNI No. MAN MAN 2004/14847) Phone : **2461901**, **9436296510** e-mail: *ireibak@yahoo.com* Fax - **2461901**